**AIR, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(DATE 03-10-2023)**

**---অহানবদা মরুওইবা পাউ---**

১) বোর্দ ওফ সেকেন্দরি ইদুকেসন মণিপুরনা লৌবা হাইস্কুল লিভিং সার্ভিফিকেট কম্পার্টমেন্টেল পরিক্ষাগী ফল ঙসি লাউথোকখ্রে।

২) মিজোরম অমদি ম্যান্মার অনিগী ঙমখৈ পরিংদা অথুবা মতমদা শন্বল খাবীনবা এম.এল.এ- আর.কে. ইমোনা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহদা অইবা চেরোল পীদুনা তকশিনখ্রে।

৩) ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট অমদি বিষ্ণুপুর জিলাশিংদা হয়েং অয়ুক পুং ৫ দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্কনি।

৪) প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ছাতিসগরগী জগদলপুরদা লুপা কোতি লিশিং ২৭ তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং যাত্রা হুনখ্রে।

অমসুং

৫) হাংঝৌ এসিয়ান গেমসতা ভারতনা সনাগী তকমান ১৩, লুপাগী ২৪ অমসুং শেঞ্জেংগী ২৫ পুন্না তকমান ৬২ ফংদুনা মেদল টেল্লিগী মরিশুবদা লৈরি।

**------**

মেত্রিক (এল)ঃ বোর্দ ওফ সেকেন্দরি ইদুকেসন মণিপুরনা লৌবা হাইস্কুল লিভিং সার্ভিফিকেট কম্পার্টমেন্টেল পরিক্ষাগী ফল ঙসি লাউথোকখ্রে।

পরিক্ষাগী ফল অদু ইম্ফালদা লৈবা বোর্দকী কনফরেন্স হোলদা লাউথোকখি। পুন্না মহৈরোই লিশিং ৩,২৫৬ পরিক্ষা থাবগী মনুংদা লিশিং ৩,২৪০ পাস তৌদুনা পাস তৌবগী চাং চাদা ৯৯.৫১ ওইখি।

পরিক্ষাগী ফল লাউথোক্লদুনা বোর্দকী চেয়ারমেন শ্রী এ. জয়কুমার সিংহনা হায়- পুন্না মহৈরোই লিশিং ৩,৩৪৬ পরিক্ষা থানবা মিং চল্লকপগী মনুংদা মহৈরোই লিশিং ৩,২৫৬ না পরিক্ষা থাখি। মখোয়গী মনুংদা ফার্ষ্ট দিভিজনদা পুন্না মহৈরোই ৪৮২, সেকেন্দ দিভিজনদনা লিশিং ২,৫৭০ অমদি থার্দ দিভিজনদা ১৮৮ পাস তৌখি। সরকারগী মহৈলোইশঙশিংগী ওইনা পাস তৌবগী চাং চাদা ৯৯.৩৫ অমদি লন্নাই মহৈলোইশঙশিংগী ওইনা চাদা ৯৯.৫৬ ওইখি। অদুবু এদেদ মহৈলোইশঙশিংগী ওইনা চাদা চামা পাস তৌরে।

শ্রী জয়কুমারনা হায়- হৌখিবা চহি খরা অসিদা সরকারগী স্কুলশিং মেত্রিক পরিক্ষা পাস তৌবগী চাং ৱাংখৎলক্লে। মহাকা হায়- লন্নাই স্কুলশিংদা ওজাশিং অমদি মহৈরোইশিং অনিগী মরক্তা হেন্না নকশিন্নবা মরী থম্বা ঙম্বগুম সরকারগী স্কুলশিংদসু ওজাশিং অমদি মহৈরোইশিং অনিগী মরক্তা অফবা মরী থম্বা ঙম্লবদি সরকারগী স্কুলশিংগী ফিভম হেন্না ফগৎলক্কনি।

ইমো (এল)ঃ মিজোরম অমদি ম্যান্মার অনিগী ঙমখৈ পরিংদা অথুবা মতমদা শম্বল খাবীনবা এম.এল.এ- আর.কে. ইমোনা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহ্দা অইবা চেরোল পীদুনা তকশিনখ্রে।

এম.এল.এগী চেরোল অদুদা হায়- মিজোরম অমদি ম্যান্মার অনিগী ঙমখৈ পরিংদা শম্বল খাদবনা মরম ওইদুনা নারোনদা আইন্না য়াদবা মীতোপশিং রাজ্য অদুদা লেপ্তুনা চংশিল্লক্লি। মিজোরম সরকারনা আইন্না য়াদবা মীতোপশিং চংশিল্লকপা খঙদোকবা বাইওমেত্রিক লৌবগী খোঙথাং অসিসু য়াদদুনা লৈরি। মসিনা মরম ওইদুনা রাজ্য অদুদা মীশিং লেপ্তুনা হেনগৎলক্লি। মিজোরমদগী চংশিল্লকপা মীওইশিংনা মণিপুরদা মহৌশাদগী লৈজরক্লবা মীশিংদা অহোংবা কয়া পুরক্লি। কেন্দ্র সরকারনা রাজ্য অসিগী মহৌশাদগী লৈজরক্লবা মীওইশিংবু ঙাক শেন্নবগীদমক অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপীয়ু হায়নসু চেরোল অদুদা

পল্লি।

ধরনা(এল)ঃ মহৈরোই অনি হাৎখিববু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা মীয়ামনা ঙসিসু মফম কয়াদা ৱাকৎ মীফম চথুরি।

ইরিলবুং মচাহল ৱিমেন দিবলপমেন্ট এসোসিয়েসননা শিনদুনা মীহাৎ অসিবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ঙসি ইরিলবুং কৈথেলদা ৱাকৎ মীফম চথুখি। ওক্রম চুথেক উকু মথক অমসুং উকু মখাগী নুপীশিংনসু ওক্রম চুথেক্তা ৱাকৎ মীফম ফমখি। থিনুংগৈ ৱিমেন্স ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা থিনুংগৈ কৈথেলদা ৱাকৎ মীফম ফমখি। অপুনবা মৈরা পায়বী লুপ ময়াং ইম্ফালনা শিন্দুনা ময়াং ইম্ফাল বজারদা চরা হেনদুনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে। ইরোইশেম্বা অপুনবা মৈরা পায়বীনা খুথাং চরা হেনবগী খোঙজং ঙসিদগী হৌখ্রে। থৌবাল জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিং- খুন্নাই কনবা অপুনবা মৈরা পায়বী লুপনা শিন্দুনা ৱাংমতাবা দেবী মান্দপতা, অথোকফম অপুনবা মৈরা পায়বী লুপনা শিন্দুনা অথোকপম কৈথেলদা, তেন্থা অপুনবা মৈরা পায়বী অপুনবা লুপনা শিন্দুনা তেন্থাদা, ৱাংজিং হোদাম্বা মনিং লৈকাই অমদি খাঙবোক পার্ট-থ্রি মনিং লৈকাইদসু মীহাৎ অসিবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ৱাকৎ মীফম ফমখি।

রেল্লি (এল)ঃ খুরাই পনাগী নহাশিংনা ৱা ঙাংদবা শান্তিগী খোঙচৎ অমা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ৱাংখৈ পুংজাউ লম্পাক্তগী সলান থোং মনাক্তা লৈবা সোমেন্দ্রো লম্পাক ফাওবা চৎখি। খোঙচৎ অসিনা রাজ্য অসিদা শান্তি হঞ্জিনহন্দুনা তংদু লৈতাবা পুন্সি অমা পুরকবা, মণিপুরদা এন.আর.সি অথুবা মতমদা চৎনহল্লু, নুপী অমসুং অঙাংদা চথুবা হিংশা খুদক্তা লেপহনগদবনি অমসুং লাঞ্জেন্নরিবা মীওইশিংবু মশা মশাগী ময়ুম হঞ্জিন্দুনা লৈহল্লু হায়বনচিনবা দাবী তৌখি।

হাইলাইট (এল)ঃ মালেমগী ওইনা অইং আশাগী খলদা অহোংবা কয়া লাক্লিবা অসিগা মরী লৈননা অকাশবানি ইম্ফালগী ই-পাউ কাংবুনা পুথোকপা অখন্নবা

থৌরম "হোংলক্লিবা অঙ্গং-অশাগী খলদা মনিপুর- ৬ শুবা তাংকক্তা- অঙ্গং অশাগী খল ঙাকবা উমং য়োকখৎপা" কৌবা থৌরম অমা হয়েং অয়ুক্কী পুং ৭ তা অকাশবানি ইম্ফালদা শন্দোক্কনি। য়ু ট্যুব চেন্নেল- এ.আই.আর. ইম্ফালদসু থৌরম অসি লাইভ ষ্ট্রিমিং তৌগনি।

কার্ফিউ(এল)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট অমদি বিষ্ণুপুর জিলাশিংদা হয়েং অয়ুক পুং ৫ দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্কনি। ককচিং অমসুং থৌবাল জিলাদনা হয়েং অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা করফিউ কোমথোক্কনি।

নোনে (এল)ঃ নোনে জিলাগী লোংমাইদা ফয়ার ব্রিগেদ সব-ষ্টেসন অমা অথুবা মতমদা হাংদোক্লগনি হায়না হিল এরিয়া কম্মিতিগী চেয়ারপার্সন দি. গাংমৈনা ফোংদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি অহানবা জিলা থাক্কী ইন্তর স্কুল স্পোর্টস, লিটরেরি এন্দ কলচরেল মিট হৌদোকপগী থৌরমদা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- জিলা অসিদা দিষ্ট্রিক্ট ইন্সটিট্যুট ওফ ইজকেসন এন্দ ত্রেনিং (দাইট) সেন্তর মথংগী একাদমিক সেসনদগী হৌরগনি অমদি জিলা অসিগী প্রাইমারি হেলথ সেন্তরবু কম্যুনিতি হেলথ সেন্তরগী থাক্তা শেমগৎলগনি।

নুমিৎ মঙানি চুপা চখ্রগদবা থৌরম অসি রোংমৈ নাগা ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন অমসুং লোংমাই ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্না পুন্না শিন্দুনা লোংমাই কম্মন গ্রাউন্দদা পাঙথোকপনি। থৌরম অসিদা স্কুল ১১ মহৈরোইশিংনা শান্ন-খোৎনবা, লাই য়েকপা অমদি নাৎকী ওইবা জগোই ঈশৈনচিংবদা অথোই অহেন তান্নগনি।

ঈশিং ঃ অসামগী মাজলি ঈথৎতা নুমিৎ হুমি চুপা চখ্ররকপা নোর্থ ইষ্ট ৱাটর টোল্ক টু পোইন্ট জিরো, ২০২৩ ঙসি লোইখ্রে। থৌরম অসিদা ঈশিংগী সমস্য, উমং অমদি অঙ্গং অশাগী খল কায়থরকপা অমসুং মসিনা নুপীশিংদা পীবা

চৈথেংনচিংবা হিরমশিংদা খন্নখি। অৱাং নোংপোক লমদমদগী লাকপা মীওই ২০০ রোমা শরুক য়াখিবা থৌরম অসিদা অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি। থৌরম অসি ২০৩০ ফাওবদা সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট গোলস মায় পাকবা পান্দমদা পাঙথোকপনি।

ঙসি লোইশিনবগী থৌরম হাওবম পাবননা দিরেক্সন পীবা দোক্কুমেন্টরি ফিলম- ফুম শঙসু উৎখি।

কন্দোলেন্স (এল)ঃ পোইরৈ লৈমারোল মৈরা পায়বী অপুনবা মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বী- ইমা লোংজম মেমচৌবীনা লৈখিদবদা ঙসিসু তোঙান তোঙানবা লুপশিংনা অৱাবা ফোংদোরক্লি। কম্মিতি ওন হ্যুমেন রাইটস মণিপুর, লৈমারোল য়াইফ লমজিং লুপ, অৱাং কোংপাল মৈরা পায়বী, মণিপুরী চনুরা লৈশেম মরুপ, শমুরৌ নাওরেম অপুনবা লুপ, পোরোমপাৎ কোংখাম লৈকাই ৱিমেন্স ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন, ওল ক্যামগৈ নুপী চাওখৎ থৌরাং লুপ, নুপী খুন্নাই মৈরা পায়বী লিৱা লম্বী বোকুল মখোঙ, ৱিমেন এক্সন ফোর দিভলপমেন্ট- পেলেস কম্পাউন্দ, ওল মণিপুর ৱিমেন্স ভোলুন্তরি এসোসিয়েসন, য়ুনাইতেদ মৈতৈ পাঙল ওর্গনাইজেসন মণিপুর, মচা ইবেম্মা নুপী কাংলুপ, লাইরিকয়েংবম লৈকাই সলান লৈরক মনিং লৈকাই বিকাশ মহিলা মন্দল মৈরা পায়বী অমসুং ইরমদম কনবা অপুনবা লুপনা ইমা মেচৌবীনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোংদোরক্লি।

চান্দেল (এল)ঃ চান্দেলগী জিলাগী জাফৌ ভিলেজদগী ডাঃ এন.জি. মোলাহরিং মোনসাংদা শিংল্লোংদা লৈবা মার্তিন লুথর খৃষ্টান য়ুনিভর্সিতিনা দিগ্রি ওফ ডোক্তর ওফ মিনিষ্ট্রি পীরকপদা মোনসাং থিওলোজিকেল এসোসিয়েসন্না নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি।

দরখাষ্ট (এল)ঃ সেয়ার এন্দ কেয়ার-ৱাংখৈ নিংথেম পুখ্রি মপালনা মেন্টেল হেলথকা মরী লৈননা পীগদবা মেদিয়া ফেলোসিপকী দরখাষ্ট পাউমীশিংদগী

কৌরি। হায়রিবা ফেলোসিপ অসিগী ফল ওক্তোবর ১০ দা পাঙথোক্কদবা ৱার্ল্ড মেন্টেল হেলথ ডে নুমিৎতা লাউথোক্কনি।

রিজাইন ঃ মিজোরম বিধান সভা মীখলগী মাংওইননা কংগ্রেসকী এম.এল.এ- কে.টি. রোক্সো ঙসি দলদগী রিজাইন তৌখ্রে। মহাকা ফম থাদোকপগী চেরোল অদু বিধান সভাগী অধ্যক্ষ লালরিনলিয়ানা সাইলোদা পীশিনখি। অধ্যক্ষনা মহাকা ফম থাদোকপদা অয়াবা পীখ্রে। শ্রী রুক্সোনা মহাকা ফম থাদোকপগী চেরোল পীশিল্লবা তুংদা পাউমীশিংদা হায়- মহাক্কী কেন্দ্রগী মীওইশিংগা ফম থাদোক্ত্রিঙৈগী মাংওইননা কয়ারক হন্না খন্নরবা তুংদা কংগ্রেস দলদগা ফম থাদোকপনি। মহাক্কী কেন্দ্রগী মীওইশিংগা রাজ্য অদুগী রিজনেল পার্তি এম.এন.এফতা য়াওনবা খন্নখিবনি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ছাতিসগরগী জগদলপুরদা লুপা কোতি লিশিং ২৭ তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থোরাংগী প্রোজেক্টশিং যাত্রা হুনখ্রে। প্রধান মন্ত্রিনা বাস্তর জিলাগী নগরনরদা লুপা কোতি লিশিং ২৪ রোম চংবা গ্রীন ফিল্ড স্তিল প্লান্ট অমসু জাতিগী মীয়ামদা খুৎশিন্নখি।

খোঙচৎ অসিদা প্রধান মন্ত্রিনা জগদলপুর রেলৱে ষ্টেসন শেমগৎনবা অমসুং অনৌবা রেল লন্বী শেমবা যাত্রা হুনখি। শ্রী মোদিনা তারোকিদগী রাইপুর ফাওবা ত্রেন অমসু লমথাখি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়- লমদম অসিদা পায়খৎলিবা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং অসিনা মফম অদুগী ত্রাইবেল মীয়ামদা খুদোংচাবা কয়া ফংহল্লগনি অমসুং শেল থুমগী ফিভমসু ফগৎহল্লগনি।

কুনকুরি অমসুং ছত্তিসগর-ঝারখন্দগী ঙমখৈগী নেসনেল হাইৱে-৪৫ দা নৌনা শেমগৎপা লন্বী অমসুং প্রধান মন্ত্রি মীয়ামদা খুৎশিন্নখি।

সিতারমন ঃ কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি-নিরমালা সিতারামননা ঙসি তামিল নাদুগী

কোম্বেতোরদা লুপা কোতি লিশিং ৩,৫০০ গী ক্রেদিট এসিষ্টেন্টকী শেনফম বিনিফিসরিশিংদা য়েন্থোকখ্রে। লোনগী শেনফমশিং অদু ক্রেদিট আউটরিটচ প্রোগ্রামগী মখাদা পীবনি।

শ্রীমতি নিরমালা সিতারমন্না হায়- খুঙ্গংগী লৌমীশিং অমসুং ওন্তরপ্রেন্যুরশিংদা সরকারনা পীরিবা লোন অমসুং সবসিদিগী মতাংদা ভাব তাহন্নবা থৌরাং কয়া পায়খৎলে। থৌরাংশিং অসিনা অপিকপা ওন্তরপ্রেন্যুর অমসুং করবারৱালাশিংদসু কান্নবা ফংহল্লি। মহাকা হায়- রিটেল লোনগী শেনফম বেনিফিসরি লিশিং ২৩,৮০০ দা য়েন্থোকখ্রে অমসুং মুদ্রা লোনগী শেন্থংনা বেনিফিসরি লিশিং ২,৯০৪ দা পীখ্রে। খুঙ্গংগী শোত্থরবা কাংলুপশিংগী নহা বেনিফিসরি ১৮ দা ষ্টেন্দঅপ ইন্দিয়াগী লোনগী শেন্থংশিং য়েন্থোকখ্রে। কিষান ক্রেদিৎ কার্দ পায়বা লৌমীশিংনসু সরকারদগী লোনগী শেন্থং লৌবা য়াগনি। মন্ত্রিনা হায়- কোইম্বেতোরদা সেল্ফ হেল্প গ্রুপ লিশিং ২,৫০০ দা শেলগী তেংবাং পীখ্রে।

সিইও ঃ চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নার-রাজিব কুমারনা লুচিংবা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (হ.সি.আই) গী কাংবু অমনা ঙসি হায়দ্রবাদতা থুংখ্রে। মখোয়না মীখলগী শেম শারিবশিং য়েংশিনগনি। মখোয়না রাজ্য অদুদা নুমিৎ হুমনি লৈদুনা তোঙান তোঙানবা রাজনিতি দলশিংগী মীওইশিং অমসুং ইনফোর্সমেন্ট এজেন্সিগী মীওইশিংগসু উন্নগনি।

মীখলগী শেম শারিবশিংগী মতাংদা দিষ্ট্রিক্ট কল্লেক্তরশিং অমসুং এস.পিশিংনা ই.সি.আইগী কাংবু অদুদা অকুপ্পা ৱারোল পীগনি। কাংবু অদুনা স্বিপ ইগজিবিসন য়েংবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা স্বিপকী থৌরমশিংদসু শরুক য়াগনি।

খোঙচৎ অদুগী অরোইবা নুমিৎতা মখোয়না রাজ্যগী চীফ সেক্রেটরি অমসুং দি.জি.পিগা উন্নগনি। পনবা য়াই, তেলঙ্গানা বিধান সভা মীখল চহি অসি লোয়শিল্লকপদা পাঙথোক্কনি।

মেট ঃ বিহারগী কাইমুর জিলাদা নোং কন্না চুবদগী ঈশিং ঈচাউগী অৱাবা মায়োক রে। জিলা অসিগী ভাবুৱা সহরদা হোস্পিতাল অমসুং তোঙান তোঙানবা ওফিসশিং ঈশিং থ্মজিনখ্রে। সুভারা তুরেলগী ঈমায়সু হেনগৎলক্লি। জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট সাৱন কুমারনা হায়- হোস্পিতালশিং ঈশিং থুমজিনখিবনা মরম ওইদুনা মফম অদুদা মীরোনবী নুপী য়াওনা অনাবশিং শাফগদবা মফমশিংদা পুথোকখ্রে। মহাকা হায়- ফিভম অদু য়েংশিন্নবা দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট টিমগী মীওইশিং মীকুপ নাহুম শিংনা লৈহল্লে। রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা ঙসি অকনবা চুরবা য়াই হায়না মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি।

মেট দিপার্টমেন্টনা হায়- মনিপুর, অসাম, মেঘালয়, নাগালেন্দ, মিজোরাম, ত্রিপুরা অমসুং অরুনাচল প্রদেসতসু লাক্লিবা নুমিৎ হুমনি অসিগী মনুংদা অকনবা নোং চুরবা য়াই হায়রি।

নোবেল প্রাইজ ঃ রোয়েল স্বিদিস একাদমি ওফ সাইন্সেসনা ২০২৩ গী ফিজিক্সতা নোবেল প্রাইজ ফংগদবা মীওই অহুমগী মীং লাউথোকখ্রে। মখোয়শিং অদুদি আমেরিকাগী ওহাইও ষ্টেট য়ুনিভর্সিতিগী প্যেরি এগোষ্টিনি, জরমনিগী মেক্স প্লেঙ্ক ইন্সটিট্যুট ওফ ক্বান্টম ওপটিক্স এন্দ লুদ্বিগ মেগজি মিলিয়ন্স য়ুনিভর্সিতি ফেরেন্স ক্রাউজ অমসুং স্বিদেনগী লুন্দ য়ুনিভর্সিতিগী এনি এল. হুইলিয়রনি।

হাংঝৌ ঃ হাংঝৌ এসিয়ান গেমসতা ভারতনা সনাগী তকমান ১৩, লুপাগী ২৪ অমসুং শেঞ্জেংগী ২৫ পুন্না তকমান ৬২ ফংদুনা মেদল টেল্লিগী মরিশুবদা লৈরি।

চাইনানা সনাগী ১৫৪, লুপাগী ৮২ অমসুং শেঞ্জেংগী ৪২ পুন্না তকমান ২৭৮ ফংদুনা অহানবদা, জপান্না সনাগী ৩৩, লুপাগী ৪৫ অমসুং শেঞ্জেংগী ৪৮ পুন্না তকমান ১২৬ ফংদুনা অনিসুবদা অমসুং খা কোরিয়ানা সনাগী ৩১, লুপা ৪২ অমসুং শেঞ্জেংগী ৬৩ পুন্না তকমান ১৩৬ ফংদুনা অহুমশুবা মফমদা লৈরি।

ভারতকী বোক্সর লভলিনা বোরগোহাইন্না নুপীগী বোক্সিংগী কিলোগ্রাম ৭৫ কী কালুপকী সেমি ফাইনেলদা থাইলেন্দগী বাইসন মেনিকোনবু মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চংখ্রে। কিলোগ্রাম ৫৪ গী কাংলুপ্তা ভারতকী প্রিতি পৱারদি চাইনাগী চাং ৱুআনগী মখুৎতা সেমি ফাইনেলদা মায়থিহৌবদগী শেঞ্জেংগী তকমান ফংহৌরে।

নুপীগী হোক্কিদা হোং কোংবু পাঞ্জং ১৩-০ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চংখ্রে।

এসিয়ান গেমসতা তকমান ফংলক্লবা শান্নরোই ২৪ কেন্দ্রগী স্পোর্টস মন্ত্রি অনুরাগ সিংহ ঠাকুরনা ঙসি নিউ দিল্লিদা তরামা ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

------